ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, নবেম্বর ২২, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৩৭শুবা মশীং

## লৌনীংবা লৌবা য়াত্রা

### য়েংশিনবীনবা লৈত্রবরা

হৌজিক ফাওবদা মালেমগী তমথীরবা মীহাৎ লায়না লাইচৎ ওইরিবা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মায়োক্নরক্লিবসি মমাঙ চহী ২০২০গী মার্চতগীনি। মতমসিদগী মণিপুরনা পেন্দমিক অসিবু মায়োক্নবগী লানফমদা নুমিৎ কয়ানি টোটেল লোকদাউনগী অথিংবা থমদুনা পূম্নমক থীংজিল্লুরে। নুমিৎ কয়ানি ষ্টেট পূম্বদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লুবদগী হৌজিকসু পুমকোক কোক্না লৌথোক্ত্রি। নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৈরি। অদুবু নুংতিগী থেংনবা পোজিটিভকী চাং হন্থরকপগা লোয়ননা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবক পাক-শন্না চত্থরকপদগী পেন্দমিক্না পীরকপা চৈথেং খরমখৈ হন্থরক্লে। থিংজিন্দুনা থল্লম্বা এক্টিভিটি কয়া মহৌশাগুম হাংদোরকপদা অয়াবা পীরে। মহৈশঙশিং ফাওবা ক্লাস নাইনদগীনা মথক্কী ক্লাসশিং চত্থবা য়াবগী অয়াবা পীরে। মণিপুরগী মহৌশাগী ফীভমদা তপ্না-তপ্না হঞ্জিল্লকপা হৌরে। অদুবু পেন্দমিক মায়োক্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা প্রাইভেট ত্রান্সপোর্ট সিষ্টমদা মরু ওইবা থৌদাং য়ারিবা দিজল অমসুং পেত্রোলগী ওটোরিক্সোশিং, মেজিক, ব্রিঙ্গর, বস য়াওনা পব্লিক ত্রান্সপোর্টকী পান্বৈশিং ওইরিবা গাড়ীশিংনা মখোয়গী পেসেঞ্জরশিংদগী লৌবা অতোংমলদি হান্নদগী শরুক ২/৩ হেঙ্গৎনা লৌরক্লে। মসিগী মথক্তা শম অককমল ফাওবা লুপা ১০/১০ হেঙ্গৎলে। অনীসিদা নত্তনা অতোপ্পা খরদসু পেন্দমিক মায়োক্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরম্বা চাংদগী কা হেন্না হেঙ্গৎপসু য়াওরে। অদুবু হৌজিক ফাওবদদি হেঙ্গৎনা লৌনরিবশিংসি মানা মানা লৌনীংবা চাংদা লৌনরি। লৌনীংবা লৌরি, য়েংশিনবীনবা লৈতবা, মকোক মরূ পান্দবগী ফীভমদা লৈরি। অদুবু অসিগুম্বা থৌওংসিবু চুম্ব্রা, তৌফম থোকপ্রা হায়বনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পব্লিক ত্রান্সপোর্টকা মরী লৈননা মীয়ামগী থৌরাং অমত্তা তৌদবদগী চৎথোক চৎশিন তৌদবা য়াদবা মীয়াম্না প্রাইভেট ত্রান্সপোর্টশিংগী মপাল তাংলকপনি। অদুবু মসি তৌরক্লে হায়দুনা প্রাইভেট ত্রান্সপোর্টরশিংনা লৌনীংবা শেলগী চাং লম্বী অমগা অমগসু মান্নদনা হেক্তা লৌরকপসিদি অচুম্বা ওইরোই।

ষ্টেটকী ওইবা মরী লৈনবা মকোক থোংবা ওথোরিটিশিং অমসুং ত্রান্সপোর্ট সোসাইটিশিং য়াওবা এপেক্স বোদি অমা লৈখিবদুনা কদাইদা চৎখ্রবগে? মানা মানা থোকপনি, অঙম-অঙম্বা তৌনরো হায়দুনা কাও থাবদৌনা থাদোক্লব্রা? নৎত্রগা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা ওটো, মেজিক অমসুং বসনচিংবগী সোসাইটিনচিংবশিংনা পেসেঞ্জর মীয়ামদগী নমদুনা ফোইদুনা মুনবদৌনা লৌরকপা শেনফমদুদগী পর্সেন্টেজ খরা ফংবদগী মচিন ফোৎচিন্দুনা, মখূৎ-মশা পুনশিন্দুনা থম্বদৌনা লৈথোরক্লিব্রা? ব্রাহংসিগী পাউখুম মরী লৈনরিবা ওথোরিটি পূম্নমক্না মীয়ামদা খুমগদবনি। হোয়, থাওগী মমল অতিয়া পক্না ব্রাংলে হায়বসিবুদি চুম্মী। হন্দক হন্থরে হায়রকখ্রিবা অসিসু লৈবাক মীয়াম্না অপেনবা ওইবা নৎত্রি হায়বসু খঙই। অদুবু খুদম ওইনা হায়রবদা টিদ্দিম লম্বী পরিংদা কৈশাম্পাৎতগীনা ক্বাকৈথেল ফাওবগী মনুংদা দিজল ওটো দ্রাইভর অমনা থাওগী মমল হেঙ্গৎলক্লে হায়দুনা হান্না লুপা ১০ লৌরম্বদগী হৌজিক লুপা ২০ লৌখৎলক্লিবা অসিদি লৌফম থোকপ্রা, চুম্ব্রা হায়বনি। থাওগীদা নত্তনা গাড়ীগী পার্টশিংগী মমল অমসুং অশেম্মলসু হেঙ্গৎলে হায়বসু লোইনা খঙলিবনি। অদুবু প্রাইভেট ত্রান্সপোর্টরশিংনা গাড়ী অতোংমল তঙ্খাই অমসুং মসিদগী হেঙ্গৎনা লৌখৎনরক্লিবা অসিদি চুন্লোই। হেঙ্গৎফম থোক্লবসু য়াম্মল্লি হায়বনি। মসিগী মতাংদা লম্বী পরিং খরদা লৈবা লন্নাই লূপ খরনা পেন্দবা, য়ানীংদবা ফোঙদোক্নরকখিবসু লৈখ্রে। লন্নাই মীওই কয়ানসু য়ানীংদবা ব্রাফম ফোঙদোক্নরে। অদুবু হৌজিক ফাওবদি নূঙদা ঈশিং চাইবদৌনা তৌরি, শামু মথুন্দা পেনা খোংবগী ফীভমদা লৈরি। মসিদি চুমদে, কোক্কাই লুক্কাইনবা থৌদোকশিং থোক্কুনা লৈবাক ব্রাথোক ওইরক্ত্রিঙৈদা য়েংশিনহৌবা চুমগনি। মী অমনা নৎত্রগা কাঙলূপ খরনা তৌনীং-তৌনীংবা পংতৌদা তৌবা য়াদে হায়বা খঙহল্লু। থাও অমসুং পোৎ চৈগী মমলশিং হেঙ্গৎলকপদগী ব্রাংখৎনা লৌদবা য়ারক্তুবা ওইরবসু লৈঙাক্না পাদম অমা লাকপীয়ু। প্রাইভেট ত্রান্সপোর্টর অমসুং পেসেঞ্জরশিংগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকহন্দনবা হোৎনৌ। মীয়ামগী পব্রার পায়রিবদু মীয়ামগী য়াইফনবা তৌনবনি কাউথোক্কনু।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০**

১) ***“হুয়েল লানশোক লৈমাবী।।/পাম্বোম খূৎশু শিঙথাঙমদমবী।।//থাঙহাই নোংথাং পান্দম্নবী।।/শঙাইশেল তাহুল পাইগুম্বী।।/ঊনবী শৌশা মাঙহনবী।।/শমু মাঙদা খাঙঙমদবী।।/লানফম কুম্মৈ য়েংগনবী।।”*** পীরিবা পরেং খরসি কনাবু শৈথাবা মীংখৈনো?

২) **“চফূন কায়রবদি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“নীংশিংলি লেপ্তুনা তেংথারি যমুনা;/নিল্লি লাউখোংলি থুগায়রি অচীকপা।/মতমগী খজাইদা শিন্থরি পিরাং মা;;/ফোঙদোক্লি অব্রাবা অতৎপা লৈতনা।।”** ময়াম্না পাম্নবা ঈশৈ মতেকনি, শৈরেংবসি কনানো?

৪) ***“ওঁবাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)”***হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

৫) ***“মোহনদাস”***হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

মথক্তা পীরিবা ব্রাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ব্রাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ব্রাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
**ডা. এম থোইথোই সিংহ**

**Q.** হঙ্গাম (অন্দং) লৌরাক অমা থাজৈ। থৎপা য়ারক্লে অদুবু অশংবা ব্রাহিক খরা খরা তাবসু হৌরে। মতাংসিদা চানগদবা হকচাং শোক্লোইদবা হীদাক অমদি কাপনীংই। মমিং হায়বীরকউ।

- রবি শমজেৎশাবম

☞ মসিদদি কেমিকেল শীজিন্নরোইসি, য়াম্না চুম্মী। নিম ওইল (Neem Well 3000 ppm) মিলিলিটর নিফু ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পান্বী পূম্নমক চোৎনবা কাপথোকসি। হীদাকসিনা পানবা তীল মখৈ হাৎপদা নত্তনা অতোপ্পা তীলশিংসু লাক্লরোই। হেকনীংবা মতমদা হেকপসু য়াররি। হকচাং শোক্লোই। নুমিৎ ১০ লৈরগা অমুক হন্না হীদাকসি কাপথোক্কনি।

**Q.** অব্রাথবীশিং মুন্দ্রিঙৈদা গম মানবা মহীশিং হৈগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকই। মচি মচিদা পৎপা য়াওই। মসিবু করম্না ফহনবা য়াগদগে?

- নবকিশ্বোর, ককচীং

☞ Bactowin গ্রাম নিপান ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা Silicon based sticker মিলিলিটর মঙা য়াল্লগা হৈ, মনা, পান্বীগী মখোকনচিংবা পূম্নমক মপূং ফানা চোৎনবা কাপথোক্কনি। নুমিৎ ১০নি লৈরগা অমুক হন্না কাপথোকসি। হীদাক কাপ্পদা চিখ্থ-নান্থবা লৈতনবা হোৎনসি।

**Q.** ঐগী হব্রাই মমিৎ মুবী খরা থাজৈ অদুবু মখাগী মনাশিং মনমলোমদা নাপু মচুগী উরিং মান্না তোংথোক-তোংথোক্তুনা লৈ, খূৎনা পায়রুবদসু খূত্তা নপ্পী। মসিবু করিনো, হীদাক অমত্তা তাকপীয়ু।

- মৈনম বুদ্ধি, পাৎশোই

☞ রষ্ট হায়না খঙনবা কোকফাই লায়না ওইগনি। ফহনবা ঙমদবা/ব্রাবা কোকফাই লায়নানি। লায়নাসি লাকশিন্নবগীদমক Tebusul (Tebuconazole অমসুং Sulphur অনীগী অপূনবা হীদাক) গ্রাম ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং চোৎনবা কাপথোকসি। Silicon based sticker মিলিলিটর ৫সু হাপহৌসি। নুমিৎ ১৫নি লৈরগা অমুক হন্না কাপথোক্কনি। হব্রাই পান্বীদা তাগনবা কোকফাই অঙৌবা মফোলনা কুপশিনবা Powdery mildew লায়নাসু মপূং ফানা ঙাকথোক্লগনি।

**Q.** পরি অমমুক চাউবা চীংখোঙদা উহৈ লিশীং অমগা চনিমুক থাবা হৌজরে। ঈশিং পীনবগীদমক দ্রিপ পাইপ শীজিন্নগে হায়দুনা শেম শাজরি। ঐগীসি কফোই, লফোই, অব্রাথবী, চমপ্রা, লিটচি, হৈনৌ, য়োংচাক্নচিংবনি। পাইপ লাইন অমনা লোইনা য়ৌহনবা য়াগদ্রা?

- জেমস মরিং

☞ ব্রাহংসি খরা থেংলে। থাদ্রিঙৈদা খন্নহৌগদবনি। জেমসকী পান্বী মখলশিং অসিগী ব্রাটর রিক্যারমেন্ট অমত্তা মান্নদে। কফোইদি ঈশিং হেনবা শুকয়া য়াদে, ব্রাৎপসু য়াদে। লফোই অমসুং অব্রাথবীদি ঈশিং য়াম্না চঙই। চমপ্রা, হৈনৌ, য়োংচাক ইখেন খেন্নদে। লিটচিদি নুংশিৎ কনবা য়াদে, মহৈ ফজনা পাল্লোই। দ্রিপ পাইপ অমগী emitter দগী থাদরকপা ঈশিংসি পুং অমদা লিটর মরিনি। লফোই, অব্রাথবী মশা ফনবা ঈশিং পীবদা কফোইদদি ঈশিং হেল্লনি, হিংবা ঙল্লরোই। পান্বী খুদিংগী ব্রাটর রিক্যারমেন্ট খঙদোক্লগা দিজাইন তৌসি।

মফমদুগী Sunshine hour, Wind speed অমসুং সোইল টাইপ হান্না খঙদোক্লগা পূন্না অমুক্তং খন্নমিন্নসি। নৌরিঙৈদা শেমদোকহৌসি।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ব্রাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**
**চিঠি থারকফম**
**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**
**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**
**নৎত্রগা**
**অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

## অফবা ফৌদি ওইননবা মরূ খরদি থমহৌরসি

**- এস সুমঙ্গল -**

অফবা ফৌদি লৈরবদি অতৈ অতৈ ফীভম ফনা লৈবা মতমদা মথং চহীগী ফৌ থাবগী তঙ্খাই অমদি মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়াই। অফবা ফৌদিগী থৌদাং কয়াদা চাউখ্রবনো? অফবা ফৌদি হায়রগা ঐখোয়না খঙনরিবসি ১) ধারা শেংবা হায়বদি অতৈ ফৌ য়ান্দবা, তম্ফাফৌ থারগা তম্ফাফৌ অদুগা আর সী এম-৯ (আর সী মনিফৌ-৭) ওইনা অতৈ ফৌ ওইনা হৌরক্তবা। ২) ফৌ মরূ মবুক থনবা, মপূং ফাবা, মচু শেংবা। ৩) অমোৎ অকায় য়াওদবা, ফৌহাম য়াওদবা, উফুল-ব্রাইফুল থাংদবা, চরূ মতেক, নূঙকুপনচিংবা য়াওদবা শম্না হায়রবদা মোত্তবা মসা শেংবা। ৪) লায়না-তীলনা চেন্দবা, নাপি মরূ য়াওদবা, লোয়ননা ৫) নীংথিনা কংবা, কোকফাই কারোইদবা, হুনবা মতমদা চাদা ৮০দগী তাদনা মতোন থোক্দবা হায়রিবা মগুন মঙাসি চেনবা ফৌ মরূ অদু ফৌদি ওইবা য়ারে।

ফৌ লোক্নরিঙৈ মতমসিদা থারিবা ফৌ অদুদগী থমজরিবা মগুনশিং অসি চেনবা মরূ করম্না লোক্তুনা লীদুনা থমহৌগনি হায়বগী মতাংদা ব্রাখল থাদবা মতম ওইরে। মরমদি ফৌ থাবগী মতম লাল্লবা মতমদা ফৌদি থিবা কোয়চেন চেন্নরগা মথোং মরম খঙদবা ফৌ মখল অমদি শেংই শেংদে খঙদবা ফৌ থারগদি ফনা কন্না হোৎনরবসু ফৌ নীংথিনা লোক্কনি লোক্লোই তম্বা ঙমদে, ব্রাখলদা নুংনাংবা অমা অদুম ফাওদুনা লৈরনি। অফবা মশক খঙবা ফৌ মখলগী অফবা মরূনা থারগদি চাথোক পাদুনা ব্রাখল নুংঙাইনা লৈবা য়ারে।

মরমশিং অসি লৈবনা ব্রাখল থাদদুনা পামজনা থারিবা ফৌ অদুদগী মশক খঙনা মথংগী ফৌদি কোন্ননবা অফবা চরোং খন্দুনা তোঙান্না লোক্তুনা নীংথিনা য়ৈদুনা, নীংথিনা কংহন্দুনা শেংদোক্তুনা মশক খঙনা মমিং মথা থাদুনা মফম খঙনা অনানবা বোরাদা হান্দুনা থমহৌসি। মরক মরক্তা পুথোক্তুনা নুংশাদা ফৌদুনা চোখোক্তনবা হোৎনসি মসিনা ফৌজুম তাশিনবা, কোকফাই কাশিনবা খুদিংমক্তগী ঙাকথোক্তুনা অফবা ফৌদি হায়বদু ওইগনি। য়াম্না লায়বা থবক অসি পাঙথোকহৌবনা মণিপুরগী অপূনবা লৌফমগী চাদা ৮০ হেনবদা থানরিবা মশাগী লৌফমদগী লোকপা অফবা ফৌদি হায়বদু ওইদুনা ফৌগী পোথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি। তশেংনা অফবা ফৌদিনি হায়দুনা লৈঙাক্না শেন্নদুনা পুথোরক্লিবা ফৌদিশিংনা থানরিবা লৌফমশিংগা ইশাগী লৌফমদগী নীংথিনা লোক্তুনা থানরিবা ফৌদিগা অনীমক চৎমিন্নবা তারগদি মণিপুরগী ফৌগী পোথোক থোইদোক্না হন্থবা লৈরোই। হৌজিক হৌজিকমক্তি লৈঙাক্না হায়বদি ফৌদি পুথোকপগী কাঙলোন নীংথিনা শীজিন্নদুনা অখঙ অহৈশিংগা লোয়ননা পুথোকপা সর্টিফাইদ সীদনা লৌফম খুদিংমক মতম চানা চহী খুদিংগী শিন্দোকপা হায়বসি খরা ব্রানা থোক্লি। মরম অদুনা ইশানা ইশাগী লৌফমদগী কাঙলোন খরা ঙাক্তুনা পুথোকচবা ফার্ম সেভ সীদকা অশেংবা সর্টিফাইদ শীদকা চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা অদু লৈরি। সর্টিফাইদ সীদনা লৌফম খুদিংমক চহী খুদিংগী শিন্দোকপা ঙম্বগী তাঞ্জাসু মতমনা পুরকপগী তাঞ্জাসু লাকখিগনি হায়বগী থাজবসু পুকচেল শেংনা খঙবা, হৈবা মীওইশিংতনা পায়খৎপা অফবা দিপার্টমেন্ট অমা লাল্লগদি শোয়দনা ঙল্লকখিবসু য়াই।

ঐখোয় পূম্বনা মতম পূম্বদা কাউফদবা ব্রাফম অমদি অফবা ফৌদিগা কোটতগী হেক্তা পেল্লকপা মফম মরাং খঙদবা ফৌদিগা অনীসি চপ মান্ননা হোৎনদুনা চপ মান্ননা চাউবা লৌফমদা থাবা মতমদা অফবা ফৌদিদুনা থাবনা চাথোক্তা চাদা ১৫-২০ হেল্লি হায়বসিনি। হায়বদি লৌ পরি অমদা অমনা ফৌ পোট ১০০ থোকপদা অমনা ফৌ পোট ১২০ থোক্কনি হায়বনি। মসি অখঙ অহৈ কয়ানা চাংয়েং কয়া তৌবদা চুল্লবা ব্রাফমনি। অদু ওইরবদি লৌ পরি লাখ অনী লৈবা মণিপুরদা পরি খুদিংগী পোৎ ২০-২০ হেনগৎলবদি কয়া য়ামখ্রবনো য়েংসি। পোৎ অমা হায়বসি কিলো ৬০নি। শঙবাই অনীনা পোৎ অমনি। শঙবাই অমনা কিলো ৩০নি। কিলো ৬০ লাখ অনীদি – 200000x60 =kilo 12000000 নি। হায়বদি মেত্রিক টন ১২০০০ হেনগৎপা ঙমগনি হায়বনি। অফবা ফৌদিগী কয়াদা চাউখ্রবা থৌদাংনো। মসিবু ঐখোয়না মীরাইফম থোকপ্রা। করম্না পান্দম অসি ফংগনি?

অতোপ্পা ব্রাফম অমনা ঐগী ঐগী লৌফমদা অঙনবা মতম, মতম চাবা মতম অমদি অথেংবদা থাবা য়াবা ফৌশিং মশক খঙদোক্তুনা খরা খরা চহী খুদিংগী থারবদি খুদোংথীবা থোকপা হায়বদি ইকং নৎত্রগা ইচাও থোক্তুনা থেংনা ফৌ থাদবা য়ারক্তবা মতমদুদা ইশাগী খূত্তা অদুগুম্বা ফৌদিশিং লৈহৌরগদি কোয়চেন চেন্দুনা লৈঙাক্তা ফৌদি পীবিয়ু হায়দুনা লৈঙাকপু ব্রাখল (মথা) শাহনদবসু য়াগনি। অসুম তৌরবদি মীঙোন্দগী নীদুনা লৌরুদ্রবসু ঐখোয় চরা হেনবগী ব্রাফম লৈরোই।

থমজরিবা ব্রাফম খরসি ব্রাখল তামিন্নসি, মণিপুর চিঞ্জাক্তা মীপান তাংদবা, ব্রাত্ত-পাদবদা নত্তনা লেম পাবা লমদম অমা ওইহনবদা লৌমী ঐখোয়গী থৌদাং য়ামিন্নরসি। ●

## নিংথমথা লাকপদা ঙা য়োক্লিবা পুখ্রিশিংদা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাং খরা

**ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ**

ঙা হায়রিবা জিবশিং অসি কোল ব্লদেদ ওইবা মরম্না ঐখোয় মীওইবগুম্না নৎত্রগা ব্রার্ম ব্লদেদ ওইবা জিবশিংগুম্না অকোয়বদা লৈরিবা অঙ্গং অশাগী মতুংইন্না মখোয়গী মশাগী অঙ্গং অশা হোংবা ঙমদে। ঐখোয় মীওইবদি অকোয়বগী অঙ্গং অশাগী মতুংইন্না ঐখোয়গী হকচাংগী অঙ্গং অশাসু তপ্না তপ্না হোংবা ঙম্মী। তৌইগুম্বসুং ঙাদি মখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা অঙ্গং অশাগী চাং অদুদা মখোয়গী মশাসু অদুমক লৈগনি। মরম অদুনা ঈশিংনা ঈংশিল্লকপা মতমদা ঙাশিং লেং ওৎপগী চাং য়াম্না নেমগনি। ঙা অয়াম্বনা ঈশিংগী মখা থংবা শরুক্তা পুল্লপ পুল্লপ লৈগনি। করিগুম্বা ঙা খরা খুদম ওইনা হায়রবদা ঙামু, ঙাক্রা, উকাবীনচিংবা ঙাশিংদি পুখ্রিগী লৈবাক মনুংদা হুৎচিন্দুনা লৈবা থেংনগনি। নিংথমথাগী মতম অসিদদি পুখ্রিগী মথক থংবা ঈশিংনা মখা থংবা ঈশিংদগী হেন্না ঈংবা মরম্না ঙা অয়াম্বা মখা থংবা শরুক্তা লৈরিবনি। তৌইগুম্বসুং নিংথমথাগী মতম অসিদা নুংশাগী মঙাল য়াম্না ফংদবা অমদি ঈশিং ইংশিল্লকপনা মরম ওইদুনা ঈশিংদা য়াওবা ওক্সিজেনগী চাং নেমথরকপা অমদি ঈশিংগী অশিনবগী চাং হেনগৎলকপনচিংবা থৌওং কয়া থোক্লকপনা মরম ওইদুনা ঙানা ঈমাইদা চাদুনা লৈবসু থেংনরক্কনি। ঈশিং ফৎলক্তবনা মরম ওইদুনা লায়না কয়া খুদম ওইনা হায়রবদা কোকফাইনা থোকহনবা লায়না, বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা লায়না, ইপিজুতিক অলসরেটিপ সিন্দ্রোম (ঈ য়ু এস) নচিংবা লায়না কয়া থেংনহল্লক্কনি। মসিদসু নত্তনা ঙানা মচিঞ্জাক চাবা হল্লক্কনি অমদি লেং ওৎপগী চাং হন্থরক্তুনা মেটাবোলিজমগী চাং নেমথরকপনা মরম ওইদুনা ঙানা চাওবগী চাং হন্থরক্কনি।

মথক্তা পনখ্রিবা মরমশিং অসি লৈবনা নিংথমথাগী মতমদা ঙা য়োকপা মতমদা লৌ-খৎকদৌবা চেকশিন থৌরাং খরা থমজগে।

১) ঈশিংগী লুবগী চাং অসি য়ামদ্রবদা ফিট তরুক ওইহনবীগনি। অসুম্না তৌবীরবদি ঈশিংগী মখা থংবা শরুক খরা শাবা মফমদা ঙাশিং লৈদুনা ঙা মশা ফহনবা ঙমগনি।

২) নিংথমথানা হৌরকপা মতমদা শুনু কিলোগ্রাম ৭৫দগী ১০০ পরি অমা চাওবা পুখ্রিদা চাইথোকপীবনা লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপীবা ঙমগনি।

৩) পোটাসিয়ম পর্মেগনেট (KMn04) কিলোগ্রাম ২দগী ৪ পরি অমা চাওবা পুখ্রিদা চাইথোকপীগদবনি।

৪) Cifax/Cifa-x লিটর অমা পরি অমা চাওবা পুখ্রিদা চাইথোকপীগদবনি।

৫) থুম কিলোগ্রাম ১০০দগী ২০০ পরি অমা চাওবা পুখ্রিদা চাইথোকপীরবদি লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

৬) ওর্গানিক মেন্যুর খুদম ওইনা হায়রবদা ষন্থি, য়েন্থি, ওকথিনচিংবা নিংথমথাগী মতমদা পুখ্রিদা থাদবীরোইদবনি।

৭) ওক্সিজেন ব্রাৎতনবগীদমক্তা এরেটর শীজিন্নবীগদবনি নৎত্রগা অনৌবা ঈশিং খরা খরা চিংশিনবীগদবনি।

৮) নিংথমথাগী মতমদদি ঙানা মচিঞ্জাক চাবগী চাং হন্থরকপনা মরম ওইদুনা মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা হান্না পীজরম্বগী চাংগী চাদা ৫০দগী ৭৫ ফাওবদমক পীজবীগদবনি। ঙানা কয়াম য়াম্না চাবগে হায়বদু য়েংলগা পীজবীবনা হেন্না ফগনি। মরমদি ঙানা চাবা ঙমহৌদবা থোক্লবদি লেমহৌরিবা মচিঞ্জাক অদুনা ঈশিং ফৎহল্লক্তদুনা ঈশিং ঈংশিল্লকপগী থোকহল্লিবা খুদোংচাদবা ময়াম অসিগী মথক্তা অমুক্না হেন্না খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লক্কনি। মসিদসু নত্তনা মচিঞ্জাক হেন্না অদুম থাদুনা লৈরবদি ঙা য়াম্না চাওবগী মহুত্তা শেল য়াম্না চঙহনবগা লোয়ননা ঈশিং ফৎলক্তবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরক্কনি। ঈশিংগী অঙ্গং-অশাগী চাং অসি হান্না লৈরম্বা চাংদগী চাদা ৫০ হন্থখিবা থোক্লবদি ঙাগী মচিঞ্জাক থাবীরোইদবনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা চেকশিন থৌরাং খরা অসি পায়খৎমিন্নদুনা নিংথমথাগী মতমদা থেংনগদবা খুদোংচাদবা ময়ামদগী ঙাকথোক্তুনা লমদম অসিগী ঙাগী পোথোক হেনগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ব্রারেংশিং অসিগী ব্রাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ব্রাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।